# “লানগী খূবাক খুগনু-!”

– এল ইবোমচা –



সেন্টরনা ফৈগাক ফৈনা লেপ্পগা কুকিশিংনা মণিপুর তম্পাক্কী মৈতৈশিংদা লান কন্না চত্থ-চত্থনা মণিপুরগী নোংচুপ থংবা গেট হায়না খঙনবা মৈতৈ, মৈতৈ পাঙল, বঙ্গালি, নাগা, কুকি অমদি বিষ্ণুপ্রিয়াগা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট য়ৌশিল্লকখি। মখোয়গী মীচংদা সেন্টরনা ফৈগাক ফৈনা লেপখ্রবনিনা কা হেন্না নৰাংলবা কুকি টেররিষ্টশিংনা জিরিবামদা লৈবা মৈতৈ খুলশিং লমতাই খুনৌ, লৌকোইনুং, নরায়নপুর অমদি ভুটানখানদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ূম ৭২ মুক য়াওনা জিরিবাম পুলিস চ্যেক পোষ্ট অমদি জিরিমুখ ফোরেষ্ট বিট ওফিসসু মৈ থারমখি। মৈ চাকখ্রবা মতুংদা মথৌদা পূক্লিং চঙদবগীদমক্তা হুরানবা মতুংদা মৈরিংবগী মওংদা মণিপুর লৈঙাক্না জিরিবাম পুলিস এস পি, ও সী শিন্দোক্লগা অহেনবা পুলিস কম্মান্দো টিম থাজিনখিবগী পাউ তাখিবা লৈখি। অসাম রাইফলসনসু ময়ূম মকৈ মৈনা থাবিখ্রবা মৈতৈশিংবু ঙাকপী শেনবীরিবনি হায়দুনা অতোপ্পা মফম অমদা থৈদোকপীখিবা লৈখি। মসিমক্তি চুড়াচান্দপুর অমদি মোরেদা মৈতৈশিংনা লৈরম্বা য়ূমশিং মৈনা তুন্না থাদোক্লবা মতুংদা বুলদোজর শীজিন্নরগা শিং নান্না লৈমাই তেমথোক্তুনা মৈতৈ লৈরম্মী হায়বগী খোঙ্গুল মমি মুত্থৎখিবা অদুমক কুকিশিংদা চত্থহন্নবা থৌরাংনি অমসুং কুকিশিংদা কুকিলেন্দ শেম্নবা অসাম রাইফলসনা মতেং পাংশিনবনি হায়না লৌবা য়াই।

ঙক্লিবদি মপাঙ্গল কল্লবা মালেমগী সুপর পৱার অমা ওইরক্লবা ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা লানসিগী মরমদা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থোকআ থোকঅবা ৱা ঙাঙদুনা লৈরিবা অসিনি। হায়বদি লানসি এক্সটর্নেল এগ্রেসননি অমুক হায়, কম্যুনেল রাইওটনি অমুক হায় অমদি মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তাল্লুবদগীনি অমুক হায় তৌদুনা লৈরিবা অসিনি। চপ চাবা লৈঙাক্কী ওইবা অশেংবা ইনফোর্মেশন অমা লৌরগা হায়দে। লান অসি কনানা হান্না হৌই, কনানা চুম্মী, কনানা লাল্লি থিজিনবা হৈতব্রা নৎত্রগনা কুকিশিংদা মীচং চংনীংব্রা কৈনোমা তৌদুনা লৈরি। মখোয়না হায়বা ৱা তাবা মানবা মৈতৈনা মখোয়বু হাত্তোকপীরে, ময়ূম মকৈ মৈ থাবীদুনা তানবীরে হায়বসিদা পূক্লিং চঙনা তাবা মাল্লি। মখোয়না অফবা মখলগী নোংমৈ, বোম, টোপনা চীংদগী কাপথরকই, ওপরেশন্না নোংমৈ মৰূ তাফম ওইরিবা তম্পাক্তা ওইনা তৌরি। অদুগা অমুক্না ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা শিল্লগা মৈতৈ অমদি কুকি ৱারী শাননবা থৌরাং য়াৎলি হায়রকই। হংনীংলিবদি লান্দারক্লিবা কুকিশিংদা করিগীদমক্তা মৈতৈশিংদা লান্দারিবনো হায়দুনা হংদনা করিগীদমক ৱারী শানহনগনি হায়রিবনো। ফরে, হৌজিক অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা জিরিবামদা চৎতুনা কুকি লুচিংবশিংগা ৱারী শানরুরে, করি কান্নবা পুরকখ্রে হংবা য়াই। মখোয়গী ওইনদি মৈতৈশিংদা লান্দারগা কুকি ষ্টেট ফংগনি হায়বসিদা চপ য়ুংনা লেপ্তুনা লৈরবনা নহান এপ্রিল ৬ অমদি ৭কী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা ত্রোংলাওবীদা লৈবা য়ূম অমদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম কাপশিল্লকপদগী ইমুংদা মচা অনী কোন্দুনা তূল্লিবা কা মনুংদুদা তাদুনা পোকখায়রকপদগী মমাদুনা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নদুনা লৈরগা পীক্লিবা চহী ৫গী মচানুপা অমদি থা ৫ খক্তা ঙাইরিবী মচানুপী লৈখিদ্রিবা অসিনা তাক্লিবদি ইন্দিয়ানা নাও চাওহল্লবা কুকিশিং অসি শৈদাংবনি, রিফ্যুজিনি নীংশিংদবমখৈ হায়নীংঙাই লৈতনা লম হেল্লে হায়বনি। চীফ মিনিষ্টর ফাওবা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা চঙলকপা য়ারোই হায়রক্লিবা অসিনি।

অসুক কুইনা শোক্লবা লান অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকিশিংনা অতম্মনা মৈতৈশিংদা লান্দারিবা অসি সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিব্রা, সিপরেট হোমলেন্দ, সিপরেট কন্ত্রি তাল্লিব্রা, পোপি থাগে য়াদে হায়বগীরা, রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া খোপচিল্লগা অনৌবা কুকি খুল শেমগে য়াদে হায়বগীরা? অশেংবা তংদাংবা অমা খঙনবা হোৎনদে। ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমদি পোলিটিসিয়ন পূম্নমক্না ঙাঙলিবা ৱাঙাঙ শঙাঙদা ময়েক ইশেং শেংদবতা নত্তনা অচুম্ববু নমশিন্দুনা থম্লিংবা মানবা অমা ইয়াওদা য়াওরি। অদুনদি ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং অসি মপুকচেল শেংদে, মরৈবাকপু মথম্মোয় শেংনা নুংশিবা ঙমদে ইতাক্তা তাকচৈ। মসিননি ইন্দিয়া অসি মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাক অমা ওইরক্কনি হায়বসি থাজবা য়াবা নত্তে, মঙদা ফাওবা মঙলুবা য়াবা নত্তে হায়নীংই।

খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি ইন্দিয়া মনুংদা ৱাথোক লাম্থোক অমা থোক্লকপা মতমদা মদুবু শন্তাইনবা হোৎনবদা ইনফোর্মেশন খোমজিনবা হৈবা অমদি মীচং শঙ্গ নাইদবা অদুবু অফবা লৈঙাক অমনি অমদি মালেমগী থাক্তা চাওখৎ লম্বীদা খুমাং য়াঙশিল্লক্লিবা লৈবাক্লি হায়বা খঙগদৌরিবনি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী মতৌ অসিদি মৈতৈশিংদা ঈচিংদা চিংনবা ফাওহল্লি। চিংনবা অসি কোকহন্নবা মীচং শঙ্গ নাইদবগী লীচৎ অদু চৎপা তাই। মরম অসিনা কুকিগী লানসি শন্তাইনগে হায়রবদি শন্তাইনগদৌরিবা ৱায়েনগদৌরিবা মীওই অদু মপুক শেংবা তাই নৎত্রবদি হুরানবনা হুরানবদা বীচার তৌবা হায়বদু তাদুনা তোক্কনি।

লুরিবদি হৌজিক ফাওবা মণিপুর অমদি সেন্টরগী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্না সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবদা য়াওশিল্লিবা মতমদুগী কুকি এম এল এ ১০ হৌজিক্না (এম এল এ ৯) গী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখত্তবা অদুনি। সিপরেট এদমিনষ্ট্রেশন তানবদা য়াওবা কুকি এম এল এ ১০দুগী মনুংদা মিনিষ্টর অনী য়াওখি। মখোয়না পায়রিবা লোয়শঙশিংদু মিনিষ্টর য়াওদবা মরম্না থবক শুবা য়াদবা দিসিজন লৌবা য়াদবা কয়া য়াওখি। অসুম তৌনা মিনিষ্টর অনীনা পায়রম্বা টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, কো-ওপরেশন দিপার্টমেন্ট অমদি ত্রাইবেল এফ্যেরস এন্দ হিলস, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেশন হায়রিবা মরু ওইখ্রবা দিপার্টমেন্টশিংসি মিনিষ্টর অনীনা মণিপুরদা লৈতবদগী অশিবগা পাঙ্খক ওইনা লৈখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্না মিনিষ্টর অনীসিনা পায়রম্বা মরু ওইখ্রবা দিপার্টমেন্টশিং অসিবু অতোপ্পা এরেঞ্জমেন্ট অমত্তা তৌদনা য়াম্না মীরাইবগী মওংদা হুন্দোক্তুনা থম্বীখি। মসিমক্তি মণিপুর লৈঙাক্কী য়াম্না চুমদবা থৌওংনি। অদুগা অমনা মণিপুরবু মচেৎ তানা থুগাইরগা কুকি ফূরুপ খক্তগী ওইবা লৈবাক অমা লিংনবা অরোনবা এজেন্দা অমদা শেমখিবা (কে এন এফ) তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা থেংনখিদে। কে এন এফ অসি লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর, ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংগী মথক্তসু মতিক চাবা থবক লৌখৎলকপা থেংনখিদে। জেদ আর ওগী ওবজেক্টিবসু চপ মান্নবনা মখোয়গী মথক্তসু মতিক চাবা থবক লৌখৎপা তাখিদে। কে এন এফ লিংখৎখিবা মরু ওইবা মীশক অদুসু মণিপুর লৈঙাক্তা ফমজাও পায়রম্মী, মিনিষ্টর ওইরম্মী, মচাশিংনা ব্যুরোক্রেট ওফিসর ওইরম্মী হায়দুনা মমিং মথা লৈফম খুদোম্বী থিন্দুনা তাক্লবসু মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা থেংনখিদে। অদুগা কুকি লালহৌবশিংগা মণিপুর অমদি সেন্টর লৈঙাক্কা তৌনখিবা সূ ৱিদ্রো তৌরে, তৌদ্রি নাখৈ শেংনা মীয়ামদা খঙহনবা লৈত্রি। মদুনদি মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পোলিটিসিয়নশিং অসি মখোয় মশা মশাগী লন্নাইগীতা খনবা নৎত্রগা কুকি লুচিংবশিংবু কি-হঙ্গোইনা চৎপা মখোয়দা মসি য়ানি-য়ারোই, ফৈ-ফত্তে হায়বা ঙমদবশিংনি হায়বা য়াই। মরম ময়াম অসিননি কুকিশিংনা হায়ৱে অনীসিদা থোক্লক্লগা অরাকপশিংদগী শেল খায়বা, মুনবা, সনা-লুপা থৎপা অমদি মোবাইল ফোন মুল্লিবনি।

লান অসি করম্না হৌরকখি হায়বগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবস দিমান্দ তাল্লুবদগীনি অমুক হায়, এক্সটর্নেল এগ্রেশননি অমুক হায়, হায়রিবা লান অসি নহান্না লোইবা য়ারবদি। হায়বদি পূম্নমক্কী মপী-মপা ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকি ফূরুপকী লুচিংবশিংদু কৌরগা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবগী ৱারী শীংবুল নীংথিজনা লীদুনা তাহনবগা লোয়ননা ঙসিগী নুমিৎ অসিদগী নোংমৈ হেক কাপ্লবা, লানদা মাঙ তাকখিবগী তেকচাক খুদিংমক নখোয়না পুগদবনি। মণিপুরদা ফূরুপকী ওইবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি কৈদৌনুংদসু থল্লোই, হান্নগুম মৈতৈগা নুংশি চান্ননা পূন্না লৈমিন্ননবা হোৎনহৌবা ফগনি। কান্নদবদা ‘লানগী খূবাক খুগনু-!’ মণিপুর অসি নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বসি নখোয়বু খঙদব্রা? হংজিনবদা নহান্না লোইরগদবা লান অসি লোইহন্দনা থম্বনি। ●

# ঈরৈদুগী কাওশিং - ৫

– বীমোলচান্দ লাইশ্রম –

খৌরাংনা ঙাইরকপা নোর্থ ইষ্ট য়ুথ ফেষ্টিবেলদু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ফক্রুউদ্দিন অলি অহমদ ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবনা মরম ওইরগা থৌরমদু পাঙথোকপা-পাঙথোক্তবা মফম খঙদনা গৌহাটি (হৌজিক্না গুৱাহাটি) য়ুনিভর্সিটিগী চাউখ্রবা হোলদুদা কন্টিঞ্জেন্ট ময়াম্না তূম্ম-চারা তৌফম খঙদনা লেল্লক্লিবসি চয়োল অমা হেল্লক্লে। ওথোরিটিগী তাংদাংবা ওর্দর ঙাইরিবনি হায়দুনা মহৈরোয় ময়ামদু অমত্তা চৎহন্দনা থাক্তুনা থম্মী। তৌফম খঙদ্রবা ময়ামদু মতম লেনবদা মানা-মানা থোকপা শঙ্গু-শঙ্গু পুনশিন্নরগা ঈশৈ শক্লবা, শৈরেং থিনবা, লমহেনবা খরনা কাচিন্দা জ্বার শান্নবা, কনানা করিসু হায়নদ্রে। ঈশৈগী কলাকার ওইরুরবনিনা রাজেসসু ঙাইহাক্তা লৈথোকপা ঙমদে। নুপী গ্রুপ অমনা চিংদুনা হেক্তা পুখিনি, ঈশৈ শকহনগনি, শেল থারক্কনি। রাজেসকী মোং হাদবা মতৌ, ঈশৈগী শৈহেক্তা নুপীশিংদু পুমঙাও ঙাওনরি। অনুপমাগী ওইনদি ওহ্থোক্না থৱায় চাকখ্রবা হায়দুনি, হায়রুবসু য়াদা মথম্মোয় প্রোক-প্রোক চাক্লে। অমুকসু খল্লি, শাওফম থোক্তেনা। ঈশৈ হৈরুবগী, ঈং তপ্পা মশক ফজরুবগী নুপীশিংনা ঙাওজবনি। রাজেসকী মগুণননি, রাজেসকী রাশিননি। ঐসু মঙোন্দা ঙাওরিসি মঙাই।

নোংমা অয়ূক অমা অনুপমাগা রাজেসকা য়ুনিভর্সিটিগী গার্দেনদুদা চিক্না ফমদুনা ৱারী শানরি-

“অশেংবনি অনু, খম থেংনা বোরিং চুরে, তৌফম খঙদ্রে” অনুপমানা কোচি কোৎনা-

“নতাৎ তৌনু তাৎতৌবা, ঈশৈ হৈবা শকহেনবা! ঙসিদি পুং কয়াদগী প্রোগ্রাম হৌদৌরি।”

“খঙদে, ইবানি কায়দনোম্মা কোয়রুসিরা, শ্বাইদদি ৱারী শানফমসু খঙদে, য়ৌ-য়া, য়ৌ-য়া...!”

“নঙনা য়া তৌরি নৎত্রো, ঐসি কৈমত্তা খল্লম্লোই খনব্রা?”

“লাংলেন থোইবী! ৱারৌ চাউবী! নঙগী খনবদা ঈশৈকা শকফম খঙপোৎ নত্তে।”

“য়ারে - ঐখোয় অনীগী পূন্সিসিবু সুম্মাইনা সুম ঙৌখি-ঙৌ য়াম্না লোইহনখ্রসি হায়রিরা?”

অনুপমাগী হৌনবী মীৎলুদা পিগী ঈরাং চেম্থবদু নৌহৌননা রাজেসনা উরে। খল্লি, মতা অমনি, ঐনা করি লানখ্রে। খন্দবদি নত্তে, নুপী ময়ামগা য়ৌ-য়ৌ ঈশৈ শক্লিনি কাইনা হিগৎপদু অনুপমা শুকয়াও য়াওদে। য়াওদবদি নত্তে, নক্না চঙশিল্লক্লগা অদু-অদা ময়াম লাংলিবদু নোংমতা য়াওদে। রাজেসনা উগদবা মচি অমদা থাপ্লপ্না ঈশৈ তাগনি। হোয়সু হায়রোই, মাইসু হায়দে। অনুপমাগী মথ্বায় নুংঙাইনবা করি হায়সিগে খল্লিঙৈ অনুপমানা,

“ফেষ্টিবেলসু পাঙথোক্কদবা মান্দ্রে, ঐখোয় অনী মণিপুরদা থোকখ্রসিরা...?”

“অনুপমা! অদুদি হায়নু, পূন্সিগী মীরমদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। লম চৎপগী নোলেজসু লৈত্রি...”

“অসিবু নুপানেয়ে!”

“হায়নীংবমখৈ হায়জৌ। নঙগা মণিপুরদা কম্মাইনা চৎমিন্নগনি হায়বা ঐ হৌফমসু খঙদে, লোইশিনফমসু খঙলোই হায়বনিদা। খুদোং থীনীংঙাই ওই হায়বৈ ৱানি।

“ফরে। ৱারী শানরদি মরী-মরী শাননীংলক্লে, শাসিরা?”

“ঙসাইমখৈ শানরিসিবু ৱারী নৎত্রো?”

“অদুনা ৱাথী-ৱারেম, দিল লেনবা। ঐনা ৱারী শাননীংলিসিনা ইবানিগী ওইবা তুংদা ওইহনবা য়াবা ৱারী ময়াম অমা। ঐখোয় অনীগী ওইবা নুংশিনবসিনা ঐখোয় অনীগী ওইবা তুংদা মথা শাদনবা পোরম পুথোরকউ হায়বা। ইবানিসিবু সুম নুংশি-নুংশিননা হনুরকওইদ্রো?”

“অস! অনুপমা, তশেংনা ঐগী তুংগী লম্বেলদি অমম্বনি। অঙানবা হায়বদো ঐসু ওইনীংই। ঐ বি এ ফাওবদং লোইশিল্লগা তোলোপ চাবা লৈঙাক্কী থবক তৌনীংই। সি মঙাইরে ঐগী আশা”

“নঙগী আশাদু ওইথোকহন্নবা ঐসু ঙল্লিমখৈ নতেং পাঙগনি, নঙ ঐগী খক্তনি, কনাগীসু ওইহল্লোই। দা রাজেস! নঙ ঐবু থাজদব্রা? ঐবু নুংশিদব্রা?”

“নুংশিবদুননি নঙোন্দা অখাকপা থমদ্রিবা, থম্মোয়গী ওইবা ৱা লোইনা তমথোক্লিবা। অনু, ঐখোয় অনী করিগুম্বা থুংনদবা তারবদি ঐ...”

খঙহৌদনা অনুপমাগী তনৌরবী খূৎশাদুনা রাজেসকী মচিন্দু মেনশিনখ্রে। কপঙাঙ ঙাঙনা-ঙাঙনা-

“কায়ননবগীদমক ঐনা নঙবু নুংশিরুবা নত্তে দা রাজেস। অনুপমাদি রাজেসকী নুংশি পুজারিনি, নঙগীতনি। ঐঙোন্দা থৌনা হাপ্লীয়ু, নমাঙ থানা শিরসু শিজগে।”

অনুপমাগী শিন্থরক্লিবা মীৎকী পি হন্দক্তি রাজেসনা তৈথোক্লে নীংদ্রে। মনীং তম্না শিন্থরিবা পিদুনসু রাজেসকী থম্মোয় পেৎহনবা ঙমদে। য়ক লাউনা শারিবা গৌহাটিগী নুংশা মৈশা মরক্তুদা আশাবা নুংশিৎসু মতেং পাংশিল্লক্লি। উখাদা ফল্লসু অনুপমা- রাজেস লাইবক্তা হুমাং কাংলি, ওমচাক্লরি। মশাবীগী নিঙাই মশানৌনা খঙলরোই খন্না খঙশিন্নদবগুম্লি, রাজেস ৱা ঙাঙখিদ্রে, লোম্থোক্তবা ওইখ্রে। অনুপমাসু ওইনফম লৈত্রবী অমগুম মথন্নতা মীৎকী পিরাংদু তৈথোকচরগা, তপ্পা - “দা রাজেস মুন্না তাবীয়ু, ঐগীসে নাপল য়াওদবা থম্মোয়তগী ওইবা ৱারী মতেক অমত্তংনি। ঐসে ইমা ইপাগী নাইতোম পোকচবী, ইথক্তসু ইখাদসু কনা লৈত্রবী ইমানা কোলেজগী প্রোফেসর, ইপানা গভর্ণরগী প্রাইভেট সেক্রেটরি ওইরিবা অমগী মচানুপীনি। ঙসি ফাওবা অৱাৎপা মশক খঙদনা মঙাও থীনা ইমানসু ইপানসু ইনিং তমহল্লকপীনি। ঐগী মিংদা বজারদা প্লোট ৪/৫ লৈ, বেঙ্কতা একাউন্ট হাংবীদুনা থা খুদিংগী ইপানসু ইমানসু শেল ময়াম-ময়াম দিপোজিৎ তৌবা শুকলেপ লেপত্রি। কয়াম শুরে ঐ খঙদে, খঙনবসু হোৎনরুদে। ইতোমতা পোকপগী হৌনবা ইমা-ইপানা ঐগীদমক্তা ৱাজৈ, তত্তনা হায়, “ইবেম্মা, ইচাগীদমক ইমা লৈরি, ইপা লৈরি করিসু খল্লুনু - নঙনা খঙগদবা হায়ববু মতৌ করম্না নঙগী ওইবা মতিক চাবা লাইফ পার্টনর খনগনি হায়বসিনি। নঙোন্দা প্রেসর পীরোই লোয়ননা নঙগী তুংগী পূন্সিদা কোক শাদনবা চপ চারে খনবা লাইফ পার্টনর অমা নশামক্না শেমগৎচৌ। খুদিংমক নঙগীনি, নঙগী লম্বী নঙনা শেমজনবা ইমানসু ইপানসু অয়াবা পীরবনি”

রাজেস - হেন্না হেন্না ৱা ঙাঙখিদ্রে। খনফম খঙদ্রবা ৱাখলগী নোংলৈ নুংশিৎ শীৎলকপগুম্মী, মশাদু থক-থক নিক্লকপগুম্মী। মখূৎ অনীনা মনাকোং অনীদু মেনশিল্লগা কন্না লাওগে হোৎনরুই, রাজেস তশেংনা মখোল থোক্না লাওবসু ঙমখিদ্রে। অনুপমানা রাজেসপু মুন্না য়েংদুনা (মখা তারকই)-

“দা রাজেস, অনুপমাদি ৱাখল থেনবীনি, কপচেৎপীনি, ঐগী হায়বদা ইমা, ইপাগী মথংদা দা রাজেস মঙাইরে ঐগী ৱাতান্নফম। নুংশিবগীদমক, দা রাজেসপু ঐগীনি খঞ্জবমক্না নঙোন্দা নাউথী শাজবনি...”

অনুপমাগী তনিক-তনিক্লক্লিবা চিনবান্দু রাজেসকী খুদোম্বীদুনা ফাজিনবীদুনা-

“তোক্লো অনু, ৱারী মখাদি ঙসি অহিং চূপ্পা থাবলগী মেঙলবা মঙালদা ফম্মিন্নদুনা লোইশিনমিন্নরসি...”


মখূৎ শম্বীরদুনা তপ্পা-তপ্পা য়ুনিভর্সিটিগী গার্দেন ৱাংমা লান্না রাজেসনা অনুপমাবু পুখ্রে। অনুপমাসু হোয়-মায় হায়খিদ্রে, অসুম চৎমিন্নখ্রে। ●

# করিগীদমক Tobacco থাদোকপা অসি অরুবা ওইরিবনো - (১)

– ডা. সলাম হিমিকা–
Assistant Professor, Genetics
Department of Zoology, Manipur University.
Email: himikasalam6@gmail.com

মালেমগী ওইনা Tobacco অসি য়াম্না পাম্না মখল কয়াগী প্রদক্টশিং শীজিন্নবা থেংনৈ। সিগরেট, ক্বা জর্দা, তলব, সাজননচিংবা মণিপুরদসু য়াম্না পোপ্যুলর ওইনা চনৈ। Tobacco এদ্দিক্সন অসিনা মরম ওইদুনা শিবগী চাং ৱাংবগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। ইন্দিয়াগী ওইনসু নোর্থ-ইষ্টর্ন রিজন অসি ওরেল কেন্সর খ্বাইদগী হেন্না লৈবগী রিপোর্টলৈ। য়ামদ্রবদা শরুক অহুম থোকপগী অমদি হীদাকমনা Tobacco এদ্দিক্সনগা মরী লৈনবা ওরেল, মাউথ, নেক কেন্সরগা লোয়ননা মতম চাদনা পূন্সি পিখম্নবসিনি। তৌইগুম্বসুং সিগরেট থাদোকপা, ক্বা চাবা লেপ্পা, Tobacco এদ্দিক্সন মালেমগী ওইনা থিংবা ঙমদবা অসিনা অচৌবা মায়থীবা অমা ওইরি। ন্যুরোবাইওলোজিষ্টশিংনা থিজিনবদগী Tobacco দা য়াওবা নিকোটিন হায়রিবা কেমিকেল অসিনা ব্রেনগী এরিয়া খরদা ইফেক্ট পীদুনা ঙাইহাক পোত্থাহনবা, নুংঙাইবা পোকহনবগুম ফাওহল্লি। মসিনা এদ্দিক্সন ওইরকপগী মরু ওইবা মরমনি। ব্রেনগী কেমিষ্ট্রিদা অহোংবা পুরকপা অসিনা Tobacco শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা থাদোকপা অসি অরুবা ওইরিবনি। চহী নৌনা Tobacco শীজিন্নবা হৌবনা হেন্না এদ্দিক্সনগী, genetic predisposition গী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

Tobacco এদ্দিক্সনগী মরু ওইবা মরমশিং :- (১) ব্রেনদা নিকোটিনগী ইফেক্ট :- Tobacco দা য়াওরিবা নিকোটিন কেমিকেল অসিনা ব্রেনগী রিৱর্দ সিষ্টমদা দোপামাইন রিলিজ তৌবা ঙমহল্লি, মদুনা সিগরেটনৎত্রগা ক্বা জর্দা শীজিন্নবা মীওইশিংনা মশাদা ঙাইহাকশীজিন্নরিঙৈদা নুংঙাইবা, রিলেক্স তৌবগুম ফাওহল্লি। দোপামাইন অসি ব্রেননা পুথোকপা ন্যুরোত্রান্সমিটর কেমিকেল অমনি। (২) চহী ঙন্না শীজিন্নবা হৌবা :- অয়াম্বনা সিগরেট শীজিন্নবা অসি চহী নৌরিঙৈ টিনেজদগী হৌই। মতম অদুদা ব্রেন দিভেলপমেন্টসু কন্না তৌরিঙৈমতম ওইবনা নিকোটিন অসিনা হেন্না Tobacco এদ্দিক্সন ওইহনবগী মরম ওইহল্লি। টিনেজদনা হেন্না নুংঙাইবা পী দোপামাইনগী চাং ৱাংনা ব্রেননা পুথোকহন্দুনা অহল ওইরবা মপূং ফারবা মীওইশিংনা শীজিন্নবদগী। (৩) জিনেতিক্স অমসুং বাইওলোজিকেল ফেক্টরশিং :- নিকোতিননা ব্রেনগী পার্ট অমা ওইরিবা hippocampus তা লৈবা ন্যুরোন হায়না খঙনবা ব্রেন সেলশিংদা অমাঙ অতা থোকহল্লকপদা নত্তনা নীংশিংবগী শক্তি ওইরিবা মেমোরি অমসুং ইম্পলস কন্ত্রোলদা অকায়বা পী। (৪) সোশল অমসুং ইনভাইরোনমেন্টকী ইনফ্লুএন্সীং :- ইমুং মনুংগী মমা-মপা, মরুপ-মপাংশিংনা শীজিন্নবা উবদগী Tobacco শীজিন্নরকপা অমদি ফিল্মদা হিরোনা সিগরেট থকপা উরগা ত্রাই তৌনরকপা অসিনচিংবশিং অসিনা Tobacco শীজিন্নবা হৌরকপগী অচৌবা মরমশিংনি।(৫) মেন্টেল হেল্থ অমসুং Tobacco গী পোৎলমশিং শীজিন্নবা :- ৱাখল নুংঙাইতবা, দিপ্রেশন, তৌফম খঙদবা, এঞ্জাইটি নৎত্রগা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাং য়েংনীংবা মীওইশিংনা সিগরেট থকপা, Tobacco এদ্দিক্ট ওইবা য়াবগী চাং হেল্লি। নিকোটিননা মতম খরগী ওইনা ষ্ট্রেস হন্থহনবা য়াই অদুবু মসিনা মতম শাংনা মেন্টেল হেল্থকী ফীভম হেন্না শোকচিলহল্লি।




মরমশিং অসিনা Tobacco শীজিন্নবশিংনা হেক্তা থাদোকপা অসি অরুবা ওইরিবনি। Tobacco দা য়াওরিবা নিকোটিন অসি হিরোইন নম্বর ফোর নৎত্রগা কোক্যেনগুম্না ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ওইবা পোৎশক অমনি। শীজিন্নরবদি খংলেপ লেপ্পদে। withdrawal syndrome গী লায়ওংশিং - অশাওবা, ৱাখল নুংঙাইতবা, তূপ্পা য়াদবা, চাক হেজ্ঞিন্না চাশিনবা অসিনচিংবশিং পুং খরগী মতুংদা থোকই। নুমিৎ নীনি হুম্নিগী মতমসি Tobacco এদ্দিক্ট ওইরক্লবগী খ্বাইদগী ৱাবা ওই। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩৫গী ৱাহং

১) “হিংচা য়াইতম্বা মানবা নুপা অমনা ঐবু চাগদৌগুম য়েংলগা মখূৎ অনী তিংথোক্লগা ঐঙোল্লোমদা চঙশিল্লকপদু উবদা কিমনখ্রদুনা খোঞ্জেল ফাইবোই করিবোই ‘হো ইমা!’... হায়খিগুমসু তৌখি।”

ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। নোভেলগী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

২) “পুন্সিবু হুন্দোক্লম্লগা

করম্না চৎকনি

অনৌবা পুন্সিগী যাত্রা।”

শৈরেং মতেক অসি অইবা অমগী শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

৩) “মতমগী য়াওল ইরোয়ননা ঈশৈ-নোংমাইগী হীরমদা অওনবা, অহোংবা লাকপসি তোয়না থেংনৈ।”

ৱাহৈ পরেং অসি ওটোবাইওগ্রাফি অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লাইরিক্কী মমিং ইরকউ।

৪) “ছাত্র ওইরিঙৈদগী হৌনা ইবগী লমদা অদুম্মক থাংলকপনি ঐগী খোঙথাংসি তন্দে-মান্দে, নীংজিং-মাংজিং, ৱাখলগী পোৎলুম পুদুনা, থম্মোয়গী মৈচাক খাঙদুনা।”

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবা অনুবাদকী ৱারোলদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমদি হন্দোক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) “নতম্বাক্তা” হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি। ***(ইন্টরনেটকী অথিংবা লৈবনা মরম ওইরগা ক্বীজ অসিগী পাউখুম থারক্লবগী মতম এপ্রিল ৩০, শগোলশেন ফাওবা শাংদোকচরে)***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।